**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25.04.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) আউটর মণিপুর লোক সভা মীখলগী বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা হয়েং ভোৎ থাদনরগনি।

২) অনিসুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল মায় পাকা পাঙথোকবা রাজ্য অসিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ দা পোল্লিং পার্সোনেলশিং থুংনখ্রে।

৩) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ঙসি লমফেলপাৎকী সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিদা নৌনা শাবা লিক্যুদ বাইও ফরতিলাইজর প্রদক্সন য়ুনিত শঙ্গাখ্রে।

৪) মাইরেল মনুংদা হাপ্লগা কছার তমা পুনবা হোৎনরম্বা ব্রাউনসুগর সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে।

অমসুং

৫) সংহাই কোর্পোরেসন ওর্গনাইজেসন মেম্বর লৈবাকশিংগী চহিগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফম ঙসিদগী কজকস্তানদা হৌখ্রে।

------

মীখল (এল)ঃ মনিপুরদা অনিসুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোৎ হয়েং থাদনরগনি। পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ গী পোল্লিং ষ্টেসন ৮৪৮ দা ভোৎ থাদনগনি। মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা থুংনবা হৌখ্রে।

রাজ্য অসিগী জিরিবাম, তেংনৌপল, কামজোং জিলাগী ফুংয়ার বিধান সভা কেন্দ্র, উখ্রুল জিলাগী উখ্রুল অমসুং চিঙাই, সেনাপতি জিলাগী কারোং, মাও অমসুং তাদুবী, তমেংলোং জিলাগী তামৈ অমসুং তমেংলোং, নোনে জিলাগী নুঙবা অমসুং ফেরজোল জিলাগী তিপাইমুখ অমসুং থানলোন বিধান সভা কেন্দ্র ১৩ দা ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিগী অপুনবা ভোটর লাখ ৪ লিশিং ৮৪,৩৯৮ নি।

অনিসুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল অসিদা রাজ্য অসিগী ফেরজোল জিলাগী তিপাইমুখ অমসুং থানলোন বিধান সভা কেন্দ্রদনা খ্বাইদগী ভোটর মশিং য়ামদবা কেন্দ্র ওইরি। তামৈ বিধান সভা কেন্দ্রদা পোল্লিং ষ্টেসন ৯৩ হাংদোক্কুনা খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা পোল্লিং ষ্টেসন ওইরি। তাঙ্কক অসিগীদমক অখন্নবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮ হাংদোক্লি। মসিগী মনুংদা উখ্রুলদা মরি, তেংনৌপলদা অহুম অমসুং জিরিবামদা অমনি।

আউটর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি সিটকীদমক ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেস, নাগা পিপলস ফ্রন্ট অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ত মীরেপ অনি পুন্না মীরেপ ৪ না লম্বা তৌনরি। ভোট অয়ুক পুং ৭ তগী থাদবা হৌরগা নুংথিল পুং ৪ দা লোইশিন্নগনি।

মীয়ামা মীখল অসিবু মায় পাকা, নিয়ম চুমা অমদি শান্তি লৈনা পাঙথোকবা হোৎনবা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু হায়না আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী রিটর্নিং ওফিসার অহন্থেম শুবাসনা আপীল তৌরি।

সেনাপতি জিলাগী তোঙান তোঙানবা বিধান সভা কেন্দ্র অহুমদা হয়েং চত্থগদবা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী মীখল অসিদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং মাগী মাগী পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা থুংনখ্রে।

তমেংলোং জিলাগী ওইনা বিধান সভা কেন্দ্র অনি- তামৈ অমসুং তমেংলোংদা পোল্লিং ষ্টেসন ৮৩ হাংদুনা পোল্লিং পার্সোনেল ৩৩২ না হয়েং মীখলগী মথৌ তৌগনি। জিলা অসিগী ওইনা অপুনবা ভোতর মশিং অসি লিশিং ৭৫,৪৩৮ নি । মসিগী মনুংদা নুপী লিশিং ৩৮,৭৮২ ওইদুনা নুপী ভোতরনা মশিং য়াম্লি।

রাজ্য অসিগী নৌনা শেন্বা নোনে জিলাদা লোক সভা মীখলগী ভোৎ থাদনবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মীখল অসিগীদমক জিলা অসিদা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ৫২ লৈবগী মনুংদা মোদেল পোল্লিং ষ্টেসন ২, অদুগা নুপী পোল্লিং পার্সোনেলশিংনা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং ষ্টেসন মঙাসু য়াওরি। জিলা অসিগী অপুনবা ভোতর মশিং অসি লিশিং ২৯,৪৩৮ ওইরি।

মণিপুরগী ঙমখৈ জিলা ওইরিবা জিরিবাম বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনসু হয়েং অনিসুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখল অসি মপুং ফানা অমদি ভোতরশিংনা অকি অখঙ য়াওদনা ভোৎ থাদবা য়াননবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। বিধান সভা কেন্দ্র অসিগী ওইনা নুপী ভোতর লিশিং ১৫,১৪৮ য়াওনা পুন্না ভোতর মশিং লিশিং ৩০,৮০৯ নি।

অমরোমদা, হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী লোক সভা মীখল অসিদা তেংনৌপল জিলাগী মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং ঙসিদগী চৎনবা হৌখ্রে। পোল্লিং পার্সোনেলশিং অদু ঙসি চান্দেল জিলাগী মহা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদগী তেংনৌপল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার, এস.পি অমদি দি.এল.ওশিংনা লমথাখি।

স্বিপ (এল)ঃ রাজ্যগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারনা মণিপুর ইনোভেসন সোসাইতিগা খুৎশমরগা মণিপুরগী চীংগী জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোক্কুনা লাকপা স্বিপ কেম্পেন মায় পাকা লোইশিনখ্রে।

গর্ভনর (এল)ঃ রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা ঙসি লমফেলপাৎকী সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতিদা নৌনা শাবা লিক্যুদ বাইও ফরতিলাইজর প্রদক্সন য়ুনিত শঙ্গাখ্রে। য়ুনিত অসিনা মহৌশাগী ফিভমদা শোকহন্দবা লিক্যুদ বাইও ফরতিলাইজরশিং পুথোক্কুনা য়ুনিভর্সিতি অমদি মীয়ামা শিজিন্নবগী পান্দম থল্লি। অমরোমদা, রাজ্যপালনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা সি.এ.য়ুগী কলেজ ওফ ফুদ টেকোলোজিগী কেম্পসতা নৌনা হাংদোকপা অৱাং নোংপোক রাজ্য ৭ কী চান থকবা পোৎলমশিং ফংবা ফুদ ম্যুজিয়ম অমসু হাংদোকখি।

ড্রগ (এল)ঃ ফেরজোল জিলাগী তিপাইমুখতগী কছার তমা চৎকদবা ত্রক অমদা হাপ্তুনা পুরকপা য়াম্লবা ব্রাউনসুগর ঙসি ৩৯ শুবা অসাম রাইফলসকী কাংবু অমদি জিরিবাম পুলিসকী কাংবুনা ফারে। পোৎলম অদু মাইরেল মনুংদা হাপ্তুনা পুরম্বনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- আইন্না য়াদবা পোৎলমশিং সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎপা ঙমখিবা অসি সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী চাউনা মায় পাকপনি। ৱারোল অদুনা মখা তানা হায়- গ্রাম ৩৬৩ রোম ওইগদবা পোৎলমশিং অদু মাইরেল মনুংদা সাপোন কেপ ৩০ দা হাপ্তুনা পুরকপনি। পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা ফারবা মীওই অনি মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবগীদমক জিরিবাম পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে।

খোংজোম ডে (এল)ঃ ইং ১৮৯১ দা শোকখিবা এঙ্গলো মণিপুরী লানদা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা লৈখিদ্রবশিংগী মচা মশুশিংনা শিন্দুনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অমা থৌবাল জিলাগী খোংজোমদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। নিংথেংমচা নিংশিং লুপকী কনভেনর আর.কে. সনাতোম্বীনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- চহি ১৩৩ শুরবা এঙ্গলো মণিপুরী লানদা মণিপুরগী অথৌবশিংনা বৃটিশ লান্মীশিংবু মথৌনা লান্থেংনখিবা অদুবু ঙসিগী অমদি তুংগী মীরোলনা মতম চুপ্পদবা নিংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

থৌবাল (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌ প্রোটেক্তেদ ফোরেষ্ট এরিয়াদা আইন কায়না শাজিল্লম্বা য়ুমশিং ইং কুমজাং ২০২২ গী জ্ন ১২ দা তকথোকখিবদগী চহি অনিরোম ৱাইথৌ খোঙনাং কাচিন পাব্লিক গ্রাউন্দদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবা অদু ঙরাং মণিপুরদা শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা ইমুং ১৩ গী লৈফম হুমদোকখ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা ইমুংশিং অদুগী মীওই কয়া হৌজিক লৈফম লৈত্রে হায়রি। রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওই অমনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না ঙসি ফাওবদা মণিপুর সরকারনা মখোয়গীদমক লৌখৎফম থোকপা থবক অমত্তা লৌখৎপিরক্ত্রে হায়রি। অৱাবা

কয়া মায়োকদুনা লৈরিবা মখোয়গীদমক সরকারগী মাইকৈদগী মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

শঙ (এল)ঃ কেন্দ্রগী মাইনোরিতি এফ্যারস মন্ত্রালয়গী প্রধান মন্ত্রি জন বিকাশ কারিয়াক্রম (পি.এম.জে.ভি.কে) স্কিমগী মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা নৌনা শাবা নুপা অমসুং নুপী অনাবশিংগী পোত্থাশঙ অমা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা ঙসি শঙ্গাদুনা হোস্পিতাল ওথোরিতিদা শিন্নখ্রে।

পোত্থাশঙ অদু শঙ্গারদুনা দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা হায়- পোত্থাশঙ অসি হৌখিবা মতম খরগী মমাংদগী শাবা লোইদুনা লৈরবনি। অদুবু মণিপুরগী ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা হোস্পিতাল ওথোরিতিদা খুৎশিন্নবা ঙমদনা লাকখিবনি। পোত্থাশঙ অসিদা চংদবা য়াদ্রবা ফরনিচরগী পোৎলমশিং জিলা অদুগী পুকচেল চাউরবা মীওইশিংনা মতেং পাংবীরকখি। মসিনা মরম ওইদুনা ঙসি হোস্পিতাল ওথোরিতিদা খুৎশিন্নবা ঙমখিবনি।

কংগ্রেস (এল)ঃ হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী লোক সভা মীখল অসি হিংশা য়াওদনা অমদি নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক হোৎনবীয়ু হায়না মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি)গী মাইকৈদগী মরী লৈনবশিংগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা হান্নগী মন্ত্রি ডাঃ কে.ঐচ. রতনকুমারনা হায়- ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুন্সিগী পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকখিবা অদু লাইবক থিবনি। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি হয়েংগী মীখল অসিদা থোকহন্দনবা হোৎনবীয়ু। অমরোমদা, জিরিবামগী লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা অখন্নবা সেক্যুরিতিগী থবক পায়খৎপীনবসু মহাকা আপীল তৌরি।

ব্রার্কসোপ (এল)ঃকলচর মন্ত্রালয়গী কলচরেল ফঙ্কসন এন্দ প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিমগী মখাদা মালোম পান্থোইবী আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন্না পুথোকপা লোই কুম্বা হায়বা

নুপীগী শুমাং লীলাগী থা অমা চুপা চথরকপা ৱার্কসোপ কম প্রদক্সনগী থৌরম ঙসি লোইশিনখ্রে। ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকপা লোইশিনবগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিপ্যুতি দিরেক্তর জি. ধর্ম্মদাস শর্ম্মা, মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফটাইম প্রেসিদেন্ট পি.ঐচ. গুনাচন্দ্র শর্ম্মা অমদি নেসনেল সঙ্গিৎ নাটক একাদমি এৱার্দি- শৌগ্রাকপম হেমন্তা শরুক য়াখি।

দিফেন্সঃ সংহাই কোর্পোরেসন ওর্গনাইজেসন (এস.সি.ও) মেম্বর লৈবাকশিংগী চহিগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফম ঙসিদগী কজকস্তানদা হৌখ্রে। মীফম অসিদা শরুক য়ারিবা ভারতকী মীহুৎশিং ঙাকশেলগী সেক্রেটরি গিরিধার আরামানেনা লুচিংলি। হয়েং ফাওবা কজকস্তানগী অষ্টানাদা চথগদবা মীফম অসিদা এস.সি.ওগী মনুংদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী সেক্যুরিতিগী মরমদা খন্নগনি। ভারতকী ঙাকশেলগী সেক্রেটরিনা মীফম অদুদা লৈবাক অসিগী ঙাকশেলগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি। তুংদা, মহাকা এস.সি.ও লৈবাকশিংগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী মীফমদসু শরুক য়াগনি।

মীখল ঃ রাজ্য ১২ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমদা হয়েং লোক সভা সিট ৮৯ গীদমক ভোট থাদনগনি। তাঙ্কক অসিদা মীরেপ লিশিং ১,১৯৮ না লম্বা তৌনরি। তাঙ্কক অসিগীদমক ভোট খোম্বগী থবক ঙরাং নুমিদাংৱাইরম লোইশিনখিবনি।

ভোট থাদনগদৌরিবা রাজ্যশিং অদুদি, অসাম অমসুং বিহারগী কেন্দ্র মঙা- মঙা, ছাতিসগর অমসুং নোংচুপ বেঙ্গোলগী অহুম- অহুম, জম্মু কাশ্মিরগী অমা, করনাতক্কী ১৪, কেরলাগী ২০, মধ্য প্রদেসকী তরেৎ, মহারাস্ত্রগী ৮, মনিপুর অমসুং ত্রিপুরাগী অমমম, রাজস্থানগী ১৩, উত্তর প্রদেসকী ৮ নি।

মধ্য প্রদেসকী বেতুল লোক সভা কেন্দ্রগী মীখল অনিশুবা তাঙ্কক অসিদা ভোট থাদনগদবা অদু বি.এস.পিগী মীরেপ লৈখিদবদগী অহুমশুবা তাঙ্কক্তা ওইনা ভোট থাদনরগনি।

হেলথ ঃ কেন্দ্রগী হেলথ সেক্রেটরি অপুরবা চন্দ্রনা নেদরলেন্দসকী গ্লোবেল ফারমাকিউতিকেল কম্পনি অমা ওইরিবা বিলথোবেল বাইওলোজিকেলসতা চত্তুনা কম্পনি অসিগী মীওইশিংগা উন্নখ্রে।

শ্রী অপুরবা চন্দ্রনা হায়রিবা কম্পনি অসিগী সি.ই.ওগা উন্নদুনা লায়না লাইচৎ লাকপদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবগীদমক পার্টনরসিপ শেন্বা অমদি ভেক্সিন পুথোকপগী মতাংদা খন্নখি। পনবা য়াবদি, হায়রিবা কম্পনি অসি পোলিও, দিপথেরিয়া-টিতানসচিংবগী ভেক্সিনশিং পুথোকপনি।

হৌখিবা ইং ২০১২ দা বাইও ইঞ্জিনিয়ারিং অমদি ভেক্সিন প্রদক্সন ফার্ম ওইরিবা বিলথোবেল বাইওলোজিকেলস অসি সেরম ইন্দিয়া লিমিতেদনা লৈখিবনি।

ফুটবোল (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী লমলোং থোঙখোংদা আর্তিফিসিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৬ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৩-২৪ গী ঙসিগী মেটচতা য়ং ফিজিক্স য়ুনিয়ন্না রহি য়ু.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না ফুটবোল ক্লব লমজাউবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ শিংজমৈ চিংঙামথক্কী সি.ৱাই.এল.সি গ্রাউন্দদা চথরিবা মঙাসুবা ভেটরান্স ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ, ২০২৪ গী ঙসিগী মেটচতা এম.ভি.এফ.সিনা টি.আর.ভি.এস.এবু পাঞ্জল ৭-৬ তা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ু.ভি.এস.এনা এন.কে.ভি.পি.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

------